# ষণবুশিংনা করম্না অফবা শঙ্গোম পুথোক্কনি

**– ডা. সরাংথেম জেসমারানি –**

শঙ্গোম অমদি শঙ্গোমগী পোথোকশিং মীপূম খুদিংমক্তা য়াম্না পাম্না থক্করি অমদি চানরি। মালেমগী ওইনা ইন্দিয়ানা শঙ্গোম পুথোকপদা চাং য়াম্না ৱাংনা লৈরি অদুবু অতোপ্পা লমশিংদা শঙ্গোম থকপগী হৈনবী লৈবদুমাইনা মফম অসিদদি শঙ্গোম থকপগী হৈনবীসি অঙাং খক্তদা লৈবগুম তৌরি। মফমসিদা ফংলিবা শঙ্গোমগী ক্বালিটি অসুক্কী মতিক য়াম্না হন্থে অমদি অরেপ্পা মমল অমা লৈত্রি। কো-ওপরেটিভ সোসাইটি নত্তনা অতোপ্পশিংদি মাগী মাগী অপান্বা মমলদা অদুমক শঙ্গোমশিং য়োল্লি অদুবু তশেংনা মসি অরানবা অমনি। শঙ্গোমগী মমলসি শঙ্গোমদুদা য়াওরিবা ফেটকী পর্সেন্টেজগী মতুংইন্না য়োল্লগদি য়াম্না ফৈ। পেকেটতা য়োনবা শঙ্গোমশিংদা দবল টোন নৎত্রগা সিঙ্গল টোন থাবা থেংনবীগনি। সিঙ্গল টোন হায়রগদি ফেটকী চাংসি চাদা ৩নি অদুগা সোলিদ নোট ফেটনা চাদা ৮.৫নি। অসুম্না দবল টোন হায়রগদি ফেটকী শরুক্তা চাদা ১.৫নি অদুগা সোলিদ নোট ফেটনা চাদা ৯নি।

অফবা শঙ্গোম হায়রগদি ক্বালিটি লৈবা, শঙ্গোমদুবু ক্বালিটি লৈবা শঙ্গোম হায়রগদি শুমদোল্লবা শঙ্গোমদু অফবা পাত্রদা হাপ্লগা অমোৎ অকায়, উফুল, হয়িং, কাঙনচিংবা অমোৎপা অমত্তা চঙহন্দবা লোয়ন-লোয়ননা বিনধা ওন্দনবা কুইনা থম্বা য়ানবা, পুথোক পুশিন তৌবদা শঙ্গোমগী ক্বালিটি হন্থহন্দনা থম্বা ঙম্বা অদুবুনি।

**শঙ্গোম ফৎহন্দবগী হৌরকফম :**- লায়না চেন্দবা ষণবীদগী পুথোরকপা শঙ্গোমসি অফবনি। মসিদা মহীক অমদি ফত্তবা অমত্তা য়াওদে। অদুবু হায়রিবা শঙ্গোমসি নিংথিনা থম্বীহৌদ্রগদি মোৎহনবগী চাং য়াম্না ৱাংই। মসিদসু নত্তনা ঐখোয়না শঙ্গোমসি সোসাইটিদা পুবা মতমদা হাপ্লিবা পাত্র খুদিংমক নিংথিনা চামথোকপীহৌদ্রগদি শঙ্গোম ঈংহল্লগা থম্বদা অমদি শঙ্গোমদা বেক্টেরিয়া অমদি কোকফাই শুজাগী মশীং হেনগৎহল্লি। করিগুম্বা শাবগী চাং ৱাংখৎলগদি শঙ্গোম ফৎলক্তবগী চাং য়াম্না ৱাংই। মসিনা য়াম্না চাউনা অমাঙবা ওইহল্লি। মরমসিনা শঙ্গোমসি ফনা থম্বীগে হায়রগদি মখাগী থৌরাংশিংসি পায়খৎপীগনি।

**ক) শঙ্গোল লূ-নান্না থম্বা :**- শঙ্গোল লূ-নান্না থম্বীদ্রগদি শঙ্গোলদা মহীক কয়া অমা চংলক্তুনা ফৎহন্দবগী মচাক অমা ওইহল্লি। মরম অসিনা ঐখোয়না মখাগী চেকশিন থৌরাংশিংসি লৌ-খৎপীগনি।

১) শঙ্গোলসি মী লৈবা য়ূমদগী খরা লাপ্পা থম্বীগনি। মনাক্তা ঈশিং তুংহল্লোইদবনি। ষন্থি ষণয়ুংশিং নিংথিনা মফম চানা খরা লাপ্পা হুন্দোকপীগনি।

২) শঙ্গোল শাবা মতমদা খরা ৱাংখৎপা মফমদা ওইনা শাবীগনি।

৩) য়ারগদি শঙ্গোলগী লৈমায়সি কনক্রিট ফ্লোরিং ওইবনা খ্বাইদগী হেন্না ফৈ। মসিনা ঈশিং শীজিন্নদুনা শীৎ শেংবদা য়াম্না লূ-নান্না থম্বা ঙমহল্লি।

৪) শঙ্গোল শেংদোক্লিবা ঈশিং অমদি অমোৎ-অকায়, মথি-ময়ুং খুদিংমক দ্রেনলোমদা নিংথিনা পুদুনা খরা লাপ্পা থাদবীগনি।

৫) মচিঙ্গাক হাপ্লিবা বাগোসসু নিংথিনা শেংদোকপীদুনা লূ-নান্না থম্বীগনি।

৬) শঙ্গোলগী লৈমায়দু চামথোকপা মতমদা ঈশিংনা হান্না শেংদোল্লবা তুংদা দিসইনফেক্টেন্ট হাপ্লগা অমুক শেংদোকপীগনি।

**খ) লায়না তীলনাদগী ঙাকথোকপা :** ষণবুশিংনা মাগী ষণ খুদিংমক লায়না তীলনাদগী ঙাকথোক্লবা মতম মতমগী টিকা থাদোকপীগনি। মতম খুদিংমক্তা খোমদা হৌব্রা হৌদব্রা হায়না চ্যেক তৌথোকপীগনি। শঙ্গোম শুমদ্রিঙৈগী মমাঙদা মখোমশিং নিংথিনা চামথোকপীগনি অমদি শঙ্গোলদা মথি ময়ুং চাইদুনা থম্বীরোইদবনি। মচা পোকত্রিঙৈগী মমাঙদা তীল চেন্দনবা তীল হীদাক থাদোকপীগনি।

**গ) শঙ্গোম শুমদ্রিঙৈদা চেকশিন থৌরাং লৌহৌবা :**

১) চেকশিন্না শঙ্গোম শুন্বীগনি।

২) শঙ্গোম শুমগদবা ষণবীদু লাংহনবীরোইদবনি অমদি চাং নাইনা শঙ্গোম শুন্বীগনি।

৩) ষণবী খুদিংমক খোমদা হৌব্রা নৎত্রগা হৌদব্রা হায়বদু খঙদোকপীগনি।

৪) করিগুম্বদা ষণবীদু নারগা হীদাক লাংথক শীজিন্নরগদি শুমদোল্লবা শঙ্গোমদু অতোপ্পা নাদবা শঙ্গোমগা পূন্না তিনশিনমিন্নরোইদবনি অমদি অতোপ্পদা য়োন্থোকপীরোইদবনি। মরমদি শঙ্গোমদুদা পীজরিবা হীদাক্কী রেসিদ্যু য়াওরকই। মসি য়ামদ্রবদা হীদাক্কী কোর্স পীজবা লোইরগা হীদাক্কী ৱিথড্রোল পেরিওদ নুমিৎ ৪-৭ হীদাক্কী মতুংইন্না লৈগনি।

৪) শঙ্গোম শুমদ্রিঙৈগী মমাঙদা মখোম/মথা, খোমজিন অমদি মশাগী নাকল অনীমক অফবা ঈশিংনা চামথোকপীরগা অকংবা ফীনা তৈথোকপীগনি।

৫) করিগুম্বা ষণবীদু য়াম্না লেঙবা ওইরগদি ষণবীদুগী মমৈদু মখোঙদা পুনশিনবীগনি।

৬) শঙ্গোম শুমদ্রিঙৈ মমাঙদা ষণবীগী মখোমদু নীংথিনা চামথোল্লবা মতুংদা অকংবা ফিনা তৈথোল্লগা খোমজিন্দু খরা শুমদোকপীগনি।

৭) ষণবী অমগা ষণবী অমগা শঙ্গোম শুম্বদা শীজিন্নগদবা ফিদু তোঙান তোঙানবীগনি। করিগুম্বদা ফি অমখক্তা শীজিন্নবা তারগদি দিসইনফেক্টেন্ট হাপ্লগা চামথোল্লবা মতুং অমুক হন্না শীজিন্নবীগনি।

৮) শঙ্গোম শুমগদৌরিবা মীওইদু লূ-নান্না, অনা অয়েক য়াওদবা ওইগনি। অমোৎপা ফিরোল শেৎপীরোইদবনি। খূৎশা নিংথিনা শেংনা সাপোন্না হাল্লবা তুংদা শঙ্গোম শুন্বীগনি

৯) শঙ্গোম শুম্বা মতমদা অহানবা শুম্বা শঙ্গোম অদু খরা হৈদোল্লগা কোন্না পুল্লপ শুমদোকপীগদবনি। শঙ্গোম শুম্বা মতমদা মখোমদা শঙ্গোম লেমহৌনা থম্বীরোইবদনি। অহানবা শঙ্গোম খরা হৈদোকপগী মরমদি অহানবগী শঙ্গোমসি বেক্টেরিয়াগী চাং য়াম্না ৱাংই। মসিবু শঙ্গোমদা পুনশিনখ্রগদি শঙ্গোমদু ফৎহন্দবগী অচৌবা মচাক অমা ওইহল্লি।

১০) শুল্লিবা শঙ্গোমদু খূৎ লুপশিনবীরোইদবনি। চোৎনা শঙ্গোম শুন্বীরোইদবনি।

১১) শঙ্গোম শুম্বা মতমদা খূৎতা থাও হাপ্লগা শুম্বগী মহুত্তা ঘী ওইনা হাপ্লগা শুন্বীবনা হেন্না ফৈ। ●

# ঙা য়োক্লিবা মীওইশিংনা খঙজিনবদা কান্নবা থৌওং খরা

**ডো: য়ূম্নাম বেদজিৎ**

ঙাগী পোথোক ফজনা পুথোকপা ঙম্নবগীদমক ঙা য়োক্লিবা পুখ্রিশিং ফনা লৈননবা য়েংশিনবা মথৌ তাই। করিগুম্বা ফজনা য়েংশিনহৌদ্রবদি খুদোংচাদবা কয়া থেংনবা য়াই। থোল্লকপা য়াবা খুদোংচাদবা খরা অমদি মখোয়দগী করম্না ঙাকথোক্কনি হায়বগী মতাংদা খরা থমজগে।

১) পুখ্রিগী লৈপল ফজনা শেম্বীগদবনি। পুখ্রিগী লৈরাই অসি চাওরাক্লা ২:১ রেসিওদা ঙমহনগদবনি। হায়বদি করিগুম্বা লৈপল অদু মিটর অমা ৱাংলবদি মিটর অমা পুখ্রি মখাগী লৈমাইদা পাকথোকপহন্দুনা লৈপলগী অঙম্বা শেম্বীগদবনি।

২) ঈশিং থাজিনবা য়ানবা ঈথোং অমা নাকল অমদা পানগদবনি। অদুগা ঈশিং থাদোকখিবা য়ানবা ঈথোং অমসু অতোপ্পা নাকল অমদা পানগদবনি।

৩) ঈশিং য়াম্না শংলকপগী থৌওং অসি ঈশং য়াম্না লৈরকপননি। ঈশং য়াম্না লৈরকপগী মরু ওইবা মরমদি ঙা য়োক্লিবা পুখ্রি অদু লৈহাও য়াম্না লৈরকপদগীনি। লৈহাও য়াম্না লৈরকপগী মরু ওইবা মরম কয়া লৈ। খুদম ওইনা হায়রবদা ঙাগী মথি, চাবা লোইহৌদবা মচিঙ্গাকনচিংবা ময়াম অসিনা পুখ্রিগী ঈশিংদা ঈশং য়াম্না কাহল্লি। অসুম্না ঈশং কারক্লবদি নুমিদাংগী মতমদা ঈশিংদা য়াওবা ওক্সিজেনগী চাং হন্থহন্দুনা খুদোংচাদবা কয়া থোকহল্লি। ঈশিং মনম নমথীরকপা অমদি অশিবা ঈশং ময়াম্না পুখ্রিগী মখাথংবা শরুক্তা লৈখিদুনা ঙাদা ফৎহন্দবা নুংশিৎ মখল কয়া থোকহল্লক্তুনা অচৌবা খুদোংচাদবা অমসু ওইহল্লকই। হায়রিবা খুদোংচাদবশিং অসিদগী ঙাকথোল্লবা পান্থেশিংদি :-

- মতম খরগী ওইনা মচিঙ্গাক পীজবীরোইদবনি।
- ঈশিং শিন্দোকপগী খুদোংচাবা লৈরবদি ঈশিং শিন্দোকপীবনা খ্বাইদগী ফবা পান্থেশিংগী মনুংদা অমনি।
- শুনু কিলোগ্রাম ১৫০দগী ২০০ ফাওবা পরি অমগী পুখ্রিদা চাইবীগদবনি।
- মতম খরগী ওইনা হার চাইবা লেপকদবনি।
- হীদাক ওইনা অলগীসাইদ (Algaecide) শীজিন্নবসু য়াই।
- বাইওলোজিকেল কন্ত্রোলগী পান্থে অমা ওইনা সিলভর কার্প থাদবীগদবনি।
- কংগুম্বা পান্থী থাদদুনা ঈশংশিং অদুদা নুংশা মঙাল ফংহন্দদুনা মচিঙ্গাক শুংবা ঙমহন্দদুনা শিহনবসু য়াই।
- কোপর সলফেট (Cu $SO_4$) শীজিন্নদুনা ঈশংশিং অসি শিহনবসু য়াই।

৪) ঈশিং য়াম্না নৈরকপগী থৌওং অসি লৈবাক্কী শরুক য়াম্না য়াওবা নৎত্রগা ওর্গানিক মেটর য়াম্না য়াওবনা ওইবা য়াই। হায়রিবা থৌওং অসি থোল্লক্লবদি ঙাশিং মচিঙ্গাক চাবা হন্থখিদুনা চাওবা থিন্থগনি। ঈশিং অদু নৈমনখিবনা মরম ওইদুনা ঙাগী মচিঙ্গাক খুদম ওইনা হায়রবদা ফাইটোপ্লাংউনগুম্বসু লৈরক্লরোই। মসিদসু নত্তনা ঙাগী গিলসশিং ফুনজিনখিদুনা ঙা শিরক্কনি। হায়রিবা খুদোংচাদবা অসিদগী ঙাকথোল্লবা পান্থেশিংদি :-

- পুখ্রিগী লৈপলশিং ফজনা শেমজিনবীদুনা নাপী হৌহনবীগদবনি। মসিনা নোং চুবা মতমদা লৈপলদগী লৈবাকশিং চেন্থখিদুনা ঈশিং নৈহনবদগী ঙাকথোকপা ঙমগনি।
- নোং চুবা মতমদা পুখ্রিগা থংনবদা লৈবা মফমশিংদগী ঈশিং য়ারিবমখৈ পুখ্রিদা চংহল্লোইদবনি।
- পুখ্রিগী লৈরাই হনগনবা ঙাশিং খুদম ওইনা হায়রবদা পুকলাওবীগুম্বগী মশীং হন্থহনগদবনি।
- চক্র মপুন মপুন থাদদুনা ঈশিংদা য়াওবা অনৈবগী শরুক্তু ফমথহনবসু য়াই।
- ফিজিগ্রি কিলোগ্রাম ১৫০দগী ২৭৫ ফাওবা পরি অমা চাওবা পুখ্রিদা শীজিন্নদুনা ঈশিং লুথহনবা য়াই। তৌইগুম্বসুং ফিজিগ্রি অসি শীজিন্নবা মতমদা ঈশিং শিলহল্লক্কনি। মরম অদুনা ফিজিগ্রি শীজিন্নরবা মতুংদা শুনু শীজিন্নদুনা পুখ্রিগী ঈশিং অদু য়াক্তক তৌবা ওইহনগদবনি।
- জিপসম (Gypsum) শীজিন্নরবদি পুখ্রিগী ঈশিংগী অশিন-অয়াক্কী থোইদোকপা অকায়বা লৈরোই। শীজিন্নবগী চাংনা কিলোগ্রাম ১০০০দগী ৩০০০ পরি অমা চাওবা পুখ্রিদা শীজিন্নবীগদবনি।

৫) পুখ্রিগী ঈমাইদা অঙাংবা মচুগী ককই কাবগী থৌওং অসি আইরন (iron) নৎত্রগা Euglenoid algae না থোকহনবনি। হায়রিবা থৌওং অসি থোল্লবদি ঙাগী মচিঙ্গাক ৱাৎশিল্লকপা অমদি ওক্সিজেন ৱাৎপগী খুদোংচাদবা কয়া ঙাদা মায়োক্লরকই। থৌওং অসিদগী ঙাকথোল্লবা পান্থেশিংদি :-

- থৌরিগুম্বা শীজিন্নদুনা ঈমাইদা তাওরিবা অঙাংবশিং অদু লৌথোকপীবা য়াই নৎত্রগা চক্র মপুন মপুন থাদদুনা চুপশিনহনবসু য়াই। য়ুরিয়া কিলোগ্রাম ২৫দগী ৩০ ফাওবা পরি অমদা অনীরক, অহুল্লক চাইরবসু য়াম্না কানগনি।
- ফিজিগ্রি কিলোগ্রাম ২৫দগী ৩০ ফাওবা পরি অমগী পুখ্রিদা চাইরবসু ককই কাবা ফহনবা ঙম্মী।

৬) ঈশিংদা য়াওবা ওক্সিজেন ৱাৎলকপদগী ঙা ময়াম চাদুনা লৈরকপগী থৌওং অসি থোকহনবগী মরম য়াম্না লৈখ্রে। অদুবু পনবা য়াবা খরা হায়রগদি মচিঙ্গাক য়াম্না থাজিনবা, হার য়াম্না চাইবা, ঙা মশীং য়াম্না য়োকপা, ওর্গানিক মেটর য়াম্না লৈরকপা অসিনচিংবনি। হায়রিবা থৌওং অসি থোল্লক্লবদি অচৌবা ঙা হান্না শিরক্কনি। মসিগী মরু ওইবা মরমদি শ্বর হোন্নবা ওক্সিজেন ৱাৎপননি। মতাং অসিদা চেকশিন থৌরাং লৌখৎহৌদ্রবদি অপিকপা ঙাশিংসু শিরক্কনি। মতাং অসিদা পায়খৎপা য়াবা থৌওং খরা হায়রগদি ঈশিং লেংহনবা খুদম ওইনা হায়রবদা ইরোইবা, ৱা থাদদুনা নোম্বীবা, এরেটর শীজিন্নবা নৎত্রগা পুখ্রি অদুদগী ঈশিং চিংখৎলগা পুখ্রিদুদা অমুক তাহল্লকপা, মসিদসু পোলাংগুম্বা অমদা তাহন্দুনা পুখ্রিগী ঈশিংদা চাইখাইরগা তাহল্লবদি অমুক্তা হেন্না কানগনি। শুনু কিলোগ্রাম ১৫০দগী ২০০ ফাওবা পরি অমদা চাইবীরবসু ওক্সিজেন ফজনা হেনগৎহনবা ঙমগনি। ঙা য়োকপদা তোয়না থেংনবা খুদোংচাদবা কয়ামরুম লৈরি। মখোয়শিং অদুনা মথংদা অমুক থমজরগে। ●

## ষ্টেটকী পাউ

# রিদমস ওফ মণিপুরগী ২৩ শুবা প্রদক্সন *পুঙগী তান্থা* উৎখ্রে




ইম্ফাল, মে ০৮ (ঐচএন এস):

রিদমস ওফ মিণপুরগী ২৩ শুবা পুঙগী তান্থা হায়না মীংথোনবা অনৌবা মুজ্যিক কম্পোজিসন অমা ঙসি মীয়াম মমাংদা অচম্বা থৌরম অমগা লোয়ননা খুদোল তমখ্রে।

লম্বোইখোঙনাংখোঙদা লৈবা মণিপুরি জগোই মরুপকী গোল্ডন জুবিলি ষ্টেজদা পাঙথোকখিবা ম্যুজিক কম্পোজিসন অমা মীয়াম মমাংদা ফোঙদোকপগী থৌরম অদুদা রঙ্গনিকেতনগী চ্যেরমেন অজিত দাসনা অথোইবা মীথুংলেন, রিদমস ওফ মণিপুরগী প্রসিদেন্ট লিকমাবম মনিবাবুনা থৌরম মপু অদুগা হান্নগী আর্ট এন্দ কলচরগী কম্মিস্নর এম লক্সমিকুমার রিটয়র্দ আই এ এসনা অখন্নবা লেংবীরকপা ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা অথোইবা মীথুংলেনগী ৱারোল পীরদুনা অজিত দাসনা হায়, লমদম অসিগী নাৎ অমদি চৎনবী অসি মালেমগী লৈবাকশিংনা তমজ নিঙাই ওইরিবা ঙাক্তনি। অসিগুম্লবা ফজরবা লমদম অসিগী নাৎ অমদি চৎনবীবু ঙাক্তুনা থম্বা হায়বসি ঐখোয় খুদিংমক্কী থৌদাংনি। লমদম অসিগী ফজরবা কলচর অসিবু য়োক্তুনা থম্নবগীদমক রিদমস ওফ মণিপুরনা হৌখিবা চহী ৩৫ রোম অসি হোৎনদুনা লাক্লি। মসি য়াম্না থাগৎনিঙাই ওই।

অমরোমদা লমদম অসিগী ইনাক খুল্লবা কলচর অসিবু মাঙহন্নবা হোৎনবা মীওই কাঙবু অমসু লৈতবা নত্তে। মায়কৈ কয়াদগী লমদম অসিগী কলচরবু লৈখা তানা মাঙহন্নবা হোৎনরক্লিবা অসিদগী ঐখোয়না য়াম্না চেকশিনগদবনি। মণিপুরবু মালেমগী মীয়াম্না শকখঙলিবা অসি লমদম অসিগী ফজরবা কলচর অসিননি। মসি খঙনা লমদম অসিদা লৈরিবা মীয়াম্না ঐখোয়গী নাৎ অমদি চৎনবীবু মতম পুম্বদা য়োক্তুনা থম্নবা হোৎনগদবনি অমদি হোৎনরিবা মীওইশিংবু পুক্লিং থৌগৎপগী হৈনবী লৈগদবনি হায়খি।

মহাক্লা মখা তানা ঙসিদগী চহী খরগী মমাংদা ইস্কোনদা বোম পোকখায়হন্দুনা মরাল লৈজদ্রবা থৱায় কয়া মাঙহনখিবগী থৌদোক অদুবু নিংশিংলদুনা হায়, মতম অদুদা থোকখিবা থৌদোক অদু য়াম্না লাইবক থিবনি। অদুগুম্বা মখলগী থৌদোকশিং অদু অমুক হন্না লমদম অসিগী লৈমায়দা থোকহল্লোইদবনি। লমদম অসিগী ফজরবা চৎনবীগী ওইবা কুন্মো উৎলিঙৈদা থোকখিবা থৌদোক অদুগী নুংঙাইতবা হৌজিকসু লৈরি হায়খি।

রিদমস ওফ মরিপুরনা পুথোকখিবা কম্পোজিসনশিংগী মনুংদা পেনাদা বেজ তৌবা হৈরাংখোইনিদা (১৯৯৫), মণিপুর নত-সংকৃত্তনদা বেজ তৌবা সৈগোন্নবী (১৯৯৭), মোইরাং সাই ওপেরা (২০০২), ইন্দিয়ন অমসুং মণিপুর ম্যুজিক্কী ফ্যুজন লংদৈ খোঞ্জেল (২০০৮), টেন্সন (২০০৯), দ্রমস ওফ মণিপুর (২০০৯). জর্নি (২০০৯-১০), থাদৌ ম্যুজিক (২০১১), লীলা শঙলেনগী মমি ওপেরা (২০১২), হিয়াং অথৌবা প্লে (২০১৩), ইন্দিয়ন ক্লাসিকল ম্যুজিক্তা বেজ তৌবা দুর্গা (২০১৪) অমদি দান্সিং দ্রম্মর্স (২০১৫) মমিং পনবা য়াই। হায়রিবশিং অসিগী মনুংদা দান্সিং দ্রম্মর্সতি লেমজনিঙাই ওইরবা দুরদর্সন নেসনল এৱার্দ ইন ম্যুজিক কেটগরি ফংখ্রে। এসিয়াগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা রিদমস ওফ মণিপুরগী দান্সিং দ্রম্মর্স মায় পাক্লা উৎলুখ্রে। পোর্ট ওফ স্পেনদসু দান্সিং দ্রম্মর্সকী শো উৎলুরে।

# মহৌশা ইমা নীংশিং থাগী শরুক অমা ওইনা উ চারাশিং থাখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৮ (ঐচ এন এস):

থা অসিগী ৬ তগী হৌরগা রোয়ল রাইর্দস মণিপুর (আর আর এম) না থা অমা চুপ্পা চথগদবা মহৌশা ইমা নীংশিং থাগী শরুক অমা ওইনা ঙসি মৈতৈ লঙ্গোলদা লৈবা রোয়ল রাইদর্স মণিপুরগী লোয়শঙদা উ চারা থাবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা উ চারা থাবগী থৌরম অদু মণিপুরগী দাইরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (দি জি পি) পি দোঙেলনা হৌদোকখি। উ চারা থাবগী থৌরমদুদা শরুক য়াখিবশিংদা ফোরেষ্ট রেঞ্জকী ওফিসলশিংনা লমজিং লমতাকখি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাঙলদুনা মণিপুরগী দি জি পি পি দোঙেলনা হায়, রোয়ল রাইদর্স মণিপুরনা এনভাইরোনমেন্টকা মরী লৈননা পায়খৎলক্লিবা থবক থৌরমশিং অসি য়াম্না থাগৎনিঙাইনি। লমদম অসিগী মীপুম খুদিংমক্লা অসিগুম্বা কান্নরবা মখলগী খোঙথাংশিং অসি মতৌ তম্নবা হোৎনগদবনি। অদুবু মহৌশা কন্নবা মীংদা উ চারাশিং থারবসু থারিবা উ পান্বী অদুবু শেন্নদুনা মপুঙ ফাহন্নবা হোৎনদ্রবদি মদুগী কা হেনবা কান্নবা লৈরোই। থারিবা উ চারাশিং অদুনা মপুঙ মরৈ ফাদ্রিবা ফাওবা শেন্নবা হায়বসি উ থারিবা মীওই অদুগী তৌদবা য়াদ্রবা মথৌ অমা ওইনা খনগদবনি। মতমদুদা মহৌশা কনবা ঙমগনি হায়খি।

# অসাম রাইফলসনা মাদর্স দে অমসুং ফ্রি মেদিকেল কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৮ (ঐচ এন এস):

২২ শুবা সেক্টর/আই জি এ আর (ই) গী মীৎয়েং মখাদা ৪৪ শুবা অসাম রাইফল্সনা শিন্দুনা ঙসি তমেংলোংদা মাদর্স দেগী থৌরম পাঙথোকখিবগা লোয়ননা ইমাশিংবু লেম্না লায়েংবগী কেম্প অমসু পাঙথোকখ্রে হায়রি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা দিফেন্সকী পি আর ও মোহিতনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ঙসি পাঙথোকখিবা মাদর্স দেগী থৌরম অদুবু হেন্না মপুঙ ফাহন্নবগী পান্দমদা লেম্না লায়েংবগী কেম্প অদু পাঙথোকখিবনি। ঙসি পাঙথোকখিবা লেম্না লায়েংবগী কেম্প অদুদা পুন্না অহল ওইরবী ইমা ১১০ রোম লায়েং চথুখি। অমদি মথৌ তাবা হিদাক লাংথকশিংসু ইমাশিং অদুদা লেম্না য়েন্থোকখি। চহী নৌরিবী মমা ওইবী কয়াসু ঙসিগী থৌরম অদুদা মখোয় মখোয়গী মচাশিংগা লোয়ননা শরুক য়াখি।

অমরোমদা ৪৪ শুবা এ আরগী কম্মান্দেন্টনা লমদম অসিগী ইমাশিংনা লৌরিবা থৌদাং অদুবু থাগৎপা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা য়ুম কোয়দুনা লৈরিবা নুপীশিংবু ঐখোয়না অৱাংবা থাক্তা থমদুনা ইকায়খুম্নবা উৎকদবনি। তমেংলোংদা লৈরিবা ইমাশিংনা নুপাদগী তাদনা থবক শুরিবা অসি পুম্নক্লা উরিবা ঙাক্তনি। মরম অদুনা ইমাশিংবু ইকাইখুম্নবা উৎসি হায়না ফোঙদোকখি হায়রি।

**ওটো রিক্সোদা হাপ্পা পোৎ মাঙখ্রে**

তাং ৬/৫/২২গী নুমিদাং পুং ৬.৩০ রোম তাবদা ঐনা পোরোম্পাৎ ক্রোসিং হার্দৱ্যের দুকান্দগী সুপ্রিম পাইপ ১০ খক লৌই (ইঞ্চি ৪গী পাইপ ৪ অমসুং ইঞ্চি ৩গী পাইপ ৫) বাথরুমগী কন্সট্রক্সন তৌনবা শীজিন্নবনা হায়দুনা লৈরবা মতুংদা ওটো রিক্সো অমদা কোংবা বজার ফাওবা চৎনবা হায়দুনা ভারাগী মমলসু লুপা ২০০ পীগে হায়দুনা য়ানরবা মতুংদা পোৎ হাপমিন্নদুনা কোংবা বজারদা চৎসি হায়দুনা ঐ ইশানা গাড়ী মচা (এক্তিভা)দা ইন্নরগা অয়াংপল্লি রোদতা লাকমিন্নরে অদুবু গাড়ী চিনবগী খূদোংচাবা লৌদুনা ঐনা খিত্তং কান্নখিবদা ওটো অদু কোংবা বজার ফাওবা লাক্লমদরে মাঙখ্রে। ওটো রিক্সোগী দ্রাইভর অদু খোঙ্গ্রাউ হাল্ফ পেন্ট শেৎলি। ঙরাং ফাওবা ওটো দ্রাইভর অদুনা মফম খঙদবা ওইরমগনি খন্দুনা দুকান্দুদা ঐনা ঙাই অদুবু দুকান অদুদসু লাক্লমদ্রে অদুনা অসিগুম্বা ওটো দ্রাইভরশিংদগী মীয়াম্না চেকশিনমিন্নসি।

হায়জরিবা : **Ksh. Mangi Meitei**
Kongba Kshetri Leikai

HL-P/2663/9

**OFFER** / **OFFER**

**য়েন্নাও অমদা লুপা ২৫,**

**KHAKI ঙানু মচা অমদা লুপা ৪৫ দা ফংবীগনি**

লাক্লিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা Kuroiler, F.F.G., Banaraja, Black Rock, Layer (B.V.380) অমদা লুপা ২৫দা ফংবীগনি। Khaki, Muksan, Peking হায়রিবা ঙানু মচাশিং হোঙনা ফংবীগনি। Farmer শিংনা advance booking তৌবীয়ু। থাংজ খূদিংগী য়েরুম, ঙানু মরুম হাপচগনি। য়ুমশকৈশা খূদিংগী Japanese Quail মরুম হাপচগনি। Khaki ঙানু অমদি Layer হায়রিবশিং অসি মচীঙ্গাক য়াম্না চাদবগা লোয়ননা মপী ১০০ লোইবদা মরুম ৯০দগী ৯৮ ফাওবা কোকহনবা ঙম্মী।

লেংশিনবীরকসি : **EMOINU HATCHERY**
Near BSNL & POSTAL COLONY,
Eastern Ground Leirak, Palace Compound,
# 9436085117

HL-P/2668/9

# থাংজিং চীংগী মতাংদা কে এস ওনা লমদম অসিগী মীয়াম্বু লান্না লমজিংনবা হোৎনরিবসি লাইবকথিবনি

ইম্ফাল, মে ০৮ (ঐচ এন এস):

থাংজিং চীংগী মতাংদা কুকি ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন (কে এস ও) হেংলেপ ব্লোকনা লমদম অসিগী মীয়াম্বু লান্না লমজিংনবা হোৎনরে অমদি কে এস ওনা পাউ চেশিংদা ফোঙদোকখিবা মখোয়গী ৱাফম অদু হন্দোক্কদবনি হায়রি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা থাংজিং সেবা মন্দল, মোইরাংগী কনভিনর ও বিনোদকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, কে এস ওনা থাংজিং চীংগী মতাংদা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদুগা মরী লৈননা তোঙান তোঙানবা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংগী ওইবা মীফম অমা ইবুধৌ মোইরাং ফম্নাইবা থাংজিং ফম্নাইবা চৈরাপ লোইশঙ অমসুং থাংজিং সেবা মন্দলনা শিন্দুনা ইবুধৌ থাংজিংগী লাইবুংদা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা থাঙজিং খুভমলেনগী মতাংদা মরুওইবা ৱাফম কয়া খন্নখি।

মণিপুরি অমা ওইনা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চৎপদা অমনা অমবু অয়েৎপা পীবা নৎত্রগা লোকল চীফ অমদি ওর্গনাইজেসনশিংদগী হান্না অয়াবা লৌগদবনি হায়বা ৱাফমসি লাইবক থিবনি। হায়রিবা অসি লমদম অসিগী মফম পুম্বদা চৎনরবদি অপুনবা মণিপুর হায়বদু উবা ফংলরোই। মরম অদুনা কে এস ওনা থাংজিং চীংদা থবক থৌরমশিং পাঙথোকপা তারবদি হান্ননা অয়াবা লৌগদবনি হায়না ফোঙদোরক্লিবা ৱাফম অদু মরম চাদে। মরমদুনা মখোয়না ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদু মণিপুর মীয়ামগী ইন্টরেষ্ট য়েংলগা হন্দোক্কদবনি।

অমরোমদা মীফম অদুনা ইবুধৌ থাংজিং খুভল্লেনবু শেংলবা লাইফম্লেন অমা ওইনা অমদি হেরিটেজ সাইট ওইনা লাউথোক্তুনা প্রিজার্ব তৌরগা থম্নবা তকশিনবা হায়নসু য়ানখি। অমদি ইন্দিয়ন ফোরেষ্ট এক্টকী মখাদা থাংজিং রেঞ্জবু রিজার্ব ফোরেষ্ট ওইনা ঙাক শেন্দুনা থম্নবা তকশিনবা হায়নসু অমত্তা ওইনা য়ানখি হায়না চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা মীফম অদুদা তোঙান তোঙানবা সী এস ওশিংগী মীহুৎ ৫৫ না শরুক য়াখি হায়রি।

# ডোক্টরেট ফংলকপদা নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, মে ০৮ (ঐচ এন এস):

গুরু মুতুম মোধু আর্ট এন্দ কলচর একাদমি ইম্ফালগী এগজিক্যুটিব মেম্বর ওইরিবী প্রিয়ারানি মুতুমনা ডোক্টর ওফ ফিলোসোফি ফংলকপদা একাদমি অসিনা হরাওবা অমদি থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা একাদমি অসিগী জেনরেল সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, প্রিয়ারানিনা পি ঐচ দি ফংলকখিবা অদুগা মরী লৈননা একাদমি অসিগী শঙলেন্দা একাদমি অসিগী দিরেক্টর মুতুম উপেন্দ্রোনা থৌরম মপু ওইদুনা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা অচম্বা খুদোলপোৎশিং পীদুনা প্রিয়ারানিবু পুক্লিং থৌগৎখি হায়রি।

**URGENT JOB NEWS**

Government Regd. No. Kj/65(com.estt) of 2016

**(First come & First Chance)**

| Sl. | Name of Post | Salary | Post | Qualn. |
|---|---|---|---|---|
| 1. | **Airport Post Vacancy of Bangalore, Kolkata, Guwahati & Hyderabad Training with Placement of Fresher & Experience.** | | | |
| | i. G-CSA Officer (M/F) | 40,000 – 50,000 | 10 | G/M |
| | ii. VIP Lounge Staff/Meet & Asst Staff (F) | 18,000 – 30,000 | 20 | XII/G |
| | iii. G-Retial CSA/Air Ground Staff (M) | 16,000 – 25,000 | 30 | XII/G |
| | iv. G-Driver/Flight-Loader/Cargo Loader (M) | 18,000 – 38,000 | 60 | X/XII |
| | v. G-Shopping Mols/G-Plaza Staff (M/F) | 16,000 – 25,000 | 20 | XII/G |
| | vi. Cabin Crew (Fresher/Exp.) (M/F) | 45,000 – Above | 10 | XII/G |
| 2. | **Wanted Immediately for Class I to XII Teacher Jobs in Imphal** | | | |
| | i. Physics/Chemistry/Eng Gram. | 400 / day | 05 | Experience |
| 3. | **Banking Staff Recruitment of Nationalized Bank in Imphal** | | | |
| | i. Operational Staff (M/F) 25 Yrs | 18,000 – Above | 10 | G/M |
| | ii. Account Opening Staff(M/F) 26 Yrs | 14,500 – Above | 10 | G/M |
| | iii. Loan Officer Staff(M/F) 30 Yrs | 14,500 – Above | 10 | G/M |
| 4. | **Direct Selection and Joint for Security Guard in Assam & Pune Company.** | | | |
| | i. Security Guard (M) (Assam) | 18,000 – EPF | 56 | VIII/X |
| | ii. Ex-Servicemen (M) (Assam) | 30,000 – EPF | 46 | VIII/X |
| | iii. Security Guard (M) (Pune) | 27,000 – EPF | 55 | VIII/X |
| | iv. Security Gunman Guard (M) | 35,000 – EPF | 35 | VIII/X |
| 5. | **In Imphal post vacancy** | | | |
| | i. Office Reception/ Micro Finance R.O. | 5,000 – Above | 30 | XII/G |
| | ii. Security Guard / Ladies Guard (M/F) | 6,000 – Above | 30 | VIII/X |
| | iii. Ex-Servicemen/ Security (SUP) | 8,000 – Above | 15 | VIII/X |
| | iv. Security Gunman Guard (M) | 10,000 – Above | 15 | VIII/X |
| 6. | **No Deposit work at Imphal** | | | |
| | i. Office Management Staff (M/F) | 5,000 – Above | 90 | VIII/X |
| | ii. Local Driver (407 TA TA/D.I. | 10,000 – Above | 20 | VIII/X |
| | iii. VIP Driver (Light / Heavy) | 7,000 – Above | 10 | VIII/X |
| | iv. Female Helper / Cooks | 7,000 – Above | 20 | VIII/X |
| | v. Computer Operator(M) | 7,000 – Above | 20 | VIII/X |
| | vi. Hotel Worker (M) | 7,000 – Above | 10 | X/XII |

Date of Submission : 02-06-2022
Date of Interview : 03-06-2022
Pliz Contact : +91 9774361669 / 8131087993
Office Hour : 10.00 a.m. to 3.30 p.m.

*Please Contact & Concern*
**Emoinu Job Consultant**
Keishampat Opp. CCpur Bus Parking
Near Poknapham Press Gate

HL-P/2858/9,11,13,16,18,20,23,26,30,1